# দি এম রাও অৱাং সেকমাই অমসুং নাকো নম্বুল মপান প্রী ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে



ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৯ ঃ ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএশন্না শিন্দুনা ইম্ফালগী মপান কাংজৈবুংদা চথরিবা ৬০ শুবা সার চুড়াচান্দ সিংহ, কে সী এস আই, সী বি ঈ, মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ কী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেচতা দি এম রাও অৱাং সেকমাই অমসুং নাকো নম্বুল মপান মায় পাক্তুনা প্রী ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

ঙসিগী মেচতা মায় পাল্লবা দি এম রাও অৱাং সেকমাই অমসুং নাকো নম্বুল মপান্না প্রী ক্বার্টর ফাইনেলদা অমুক থা অসিগী ১১ দা থেংনরগনি। চথরিবা সী সী মীট অসিগী ঙসি অনীশুবা রাউন্দ লোইখিবগা লোয়ননা হয়েংদগী প্রী ক্বার্টর ফাইনেল মেচ মখা চথবা হৌরগনি।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেচতা দি এম রাও অৱাং সেকমাইনা য়ঙ ফিজিক য়ুনিয়ন ললাম্বুং মখোং গোল ১-০ দা মায়থীবা পীদুনা দি এম রাও প্রী ক্বার্টর ফাইনেল চঙখিবনি।

মণিপুর ষ্টেট লীগগী টিম অমা ওইরিবা য়ঙ ফিজিক য়ুনিয়নবু দি এম রাওনা মায়থীবা পীখিবা অসিনা দি এম রাওগী পার্ফোমেন্স হেন্না ফগৎলক্তুনা সী সী মীট অসিদা টিম অসিগী ফজবা খুৎশান্না মীয়াম্না উবা ফংদুনা অনৌবা মহাও অমা পীরবা য়ারি।

মেচ অদুদা লম্বা থেংনখিবা য়ঙ ফিজিক য়ুনিয়ন অমসুং দি এম রাও অৱাং সেকমাইনা অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নখিবনা টিম অমত্তনা মেচকী অহানবা হাফ ফাওবদা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি। হাফ মতুং মেচ অদুগী ৬১ শুবা মিনিটতা দি এম রাওগী মায় পাকপগী গোল অদু ৱাই হেম্বনা চনখি। মেচ মায়থীহৌরবা য়ঙ ফিজিক য়ুনিয়ন সী সী মীটতগী নিংবা কায়না লৈহৌখি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী অরোইবা মেচতা নাকো নম্বুল মপান্না রাও লাইরিকয়েংবম লৈকায় টাই ব্রেক্তা গোল ৭-৬ তা মায়থীবা পীদুনা নাকো প্রী ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে। মায়থীহৌরবা রাও লাইরিকয়েংবম লৈকায় সী সী মীটদগী নিংবা কায়না লৈহৌখি।

মেচ অদুদা রাও লাইরিকয়েংবম লৈকায় অমসুং নাকো নম্বুল মপান্না য়াম্না কম্পিটিটিভ ওইনা শান্নখিবনা মেচকী অপীবা মতম ফাওবদা গোল অমমম চন্নখি। রাওগী গোল অদু রোহিট হুসেন্না চনখি অদুগা নাকোগী গোল অদুনা রাওগী এস গৌতমগী ওন গোলদা চনখি।

মেচ অদুদা মায় পাল্লবা নাকোনা টাই ব্রেক্তা গোল তরুক টি ঐচ ঙৌবা, গোলমৈ, এন্থোনি কবুই, কে ঐচ জেকি, ঐচ জোনসন, জুরিয়ন কৈশিং অমসুং এস আনন্দনা চনখি। লোয়ননা মেচ অদুগী অরোইবা মিকুপ্তা নাকোগী সী ঐচ রোসন অমসুং রোহিট হুসেন রেফ্রিনা রেদ কার্দ বুক তৌদুনা মেচতগী তান্থোকখি। হয়েং অহানবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ এইম খাবম অমসুং এস এস য়ু শিংজমৈগা শান্নরগনি।

# ফেদরেসন কপ নেসনল জিট কুনেদো চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়ারুগদবা মণিপুর টিম ইম্ফাল থাদোকখ্রে



ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৯ ঃ থা অসিগী ১১ দগী ১৩ ফাওবা ন্যু দেল্লিগী টালকোটারা ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্কদবা ফেদরেসন কপ নেসনল জিট কুনেদো চেম্পিয়নশিপ ২০১৬ তা শরুক য়ারুনবগীদমক মণিপুরগী শান্নরোয় ২০ অমদি ওফিসিএল ৪ না শাবা মণিপুর জিট কুনে দো টিম ঙসি অয়ূক ন্যু দেল্লিগীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

নুমিৎ হুমনি চুপ্পা পাঙথোক্কদৌরিবা ফেদরেসন কপ নেসনল জিট কুনে দো চেম্পিয়নশিপ ২০১৬ তা শরুক য়ানবগীদমক ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রবা মণিপুর জিট কুনে দো টিম অসিনা চাউনা মায় পাক্তুনা মেদল কয়া লৌরক্কনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা থল্লি।

মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াগদৌরিবা শান্নরোয়শিংদি নুপাগী চহী ১৪ মখাগী কেজি ৩০ মখাগী কাঙলুপ্তা কৈশাম লনচেনবা, কেজি ৫০ মখাগী কাঙলুপ্তা পি জয়, কেজি ৬৫ মখাগী কাঙলুপ্তা এন কোবোরচুঙ কোল্লিন, কেজি ৪৫ মখাগী কাঙলুপ্তা কাঙবা রিচার্দ, কেজি ৩৩ মখাগী কাঙলুপ্তা ৱাই প্রেমসন মীতৈ, কেজি ৩০ মখাগী কাঙলুপ্তা ৱাই বোরনাম সিংহ, কেজি ৩৬ মখাগী কাঙলুপ্তা এ বিকাশ সিংহ, কেজি ৩৮ মখাগী কাঙলুপ্তা এন কোখোনঙম, কেজি ৭০ মখাগী কাঙলুপ্তা হাওবম ইবুংঙোনি।

চহী ১৭ মখাগী কেজি ৫১ মখাগী কাঙলুপ্তা টি ঐচ মালেমঙানবা, কেজি ৫৬ মখাগী কাঙলুপ্তা কে ঐচ চীংখৈ, চহী ১৯ মখাগী কেজি ৬০ মখাগী কাঙলুপ্তা এন রোবার্টসন, কেজি ৫৫ মখাগী কাঙলুপ্তা এস অবোইচা, চহী ১৯ মথক্কী কেজি ৫০ মখাগী কাঙলুপ্তা সোসিম রাইকুইনি।

নুপীগী চহী ১৪ মখাগী কেজি ২৫ মখাগী কাঙলুপ্তা এ কে ওমিতা, কেজি ৩৩ মখাগী কাঙলুপ্তা টি অঞ্জনা, চহী ১২ মখাগী কেজি ৪৬ মখাগী কাঙলুপ্তা মোইরাংথেম লিনথোই, কেজি ৪৯ মখাগী কাঙলুপ্তা এল সরজু, চহী ১৯ মখাগী কেজি ৬০ মখাগী কাঙলুপ্তা ঐচ এম টাজ বানু অমসুং কেজি ৬৫ মখাগী কাঙলুপ্তা এম সোনিয়ানি।

মণিপুর জিট কুনেদো টিমগী কোচনা টি ঐচ ইবুংঙোচৌবা, টিম মেনেজরনা কে থিরেন, এসিষ্টেন্ট মেনেজরনা ৱাই প্রেমকুমার অদুগা টেক্নিকেল ওফিসিএলনা ডা. এম ইবোমচানা শরুক য়ারুগনি।

মণিপুর জিট কুনে দো টিম অসিনা চৎথোক চৎশিন তৌবদা অপনবা থোকহনবীগনু হায়না জিট কুনে দো এসোসিএশনগী চেরোল অসিনা মরী লৈনবশিংদা আপিল তৌরক্লি।

# অন্দর-১৬ লীগ টিম মঙানা শরুক য়াদুনা হৌরগনি

**U-16 League 2016-17**
**REST OF INDIA - 3**

| MATCH | DAY | DATE | TEAM 1 | | TEAM 2 | CITY | ROUND | GROUND | KO TIME | BYE |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | SATURDAY | 10-12-2016 | AFC | v/s | NFC | IMPHAL | 1 | Khuman Lampak Stadium | 10.00AM | NRL |
| 2 | SATURDAY | 10-12-2016 | TFA | v/s | SAIL | IMPHAL | 1 | Khuman Lampak Stadium | 01.30PM | |
| 3 | MONDAY | 12-12-2016 | SAIL | v/s | NRL | IMPHAL | 2 | Khuman Lampak Stadium | 10.00AM | AFC |
| 4 | MONDAY | 12-12-2016 | NFC | v/s | TFA | IMPHAL | 2 | Khuman Lampak Stadium | 01.30PM | |
| 5 | WEDNESDAY | 14-12-2016 | NRL | v/s | TFA | IMPHAL | 3 | Khuman Lampak Stadium | 10.00AM | NFC |
| 6 | WEDNESDAY | 14-12-2016 | SAIL | v/s | AFC | IMPHAL | 3 | Khuman Lampak Stadium | 01.30PM | |
| 7 | FRIDAY | 16-12-2016 | NFC | v/s | SAIL | IMPHAL | 4 | Khuman Lampak Stadium | 10.00AM | TFA |
| 8 | FRIDAY | 16-12-2016 | NRL | v/s | AFC | IMPHAL | 4 | Khuman Lampak Stadium | 01.30PM | |
| 9 | SUNDAY | 18-12-2016 | TFA | v/s | AFC | IMPHAL | 5 | Khuman Lampak Stadium | 10.00AM | SAIL |
| 10 | SUNDAY | 18-12-2016 | NFC | v/s | NRL | IMPHAL | 5 | Khuman Lampak Stadium | 01.30PM | |

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৯ ঃ অন্দর-১৬ লীগ ২০১৬-১৭ রেষ্ট ওফ ইন্দিয়া-৩ হয়েংদগী খুমন লম্পাক মেইন ষ্টেদিয়মদা চথবা হৌরগনি।

অন্দর-১৬ লীগ অসিদা মণিপুরদগী নেরোকা এফ সী, আইজোল এফ সী, এন আর এল-এস পি টি, টাটা ফুটবোল একাদেমি অমসুং সেইল বোকারোনি। টিম মঙা অসিনা শান্নগদৌরিবা অন্দর-১৬ লীগ রেষ্ট ওফ ইন্দিয়া-৩ অসিদা শরুক য়ারিবা টিমশিং অসি থোইদোক হেন্দোক্না মমিং লৈরবা টিম ঙাক্তনি।

# কেশ প্রাইজ বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৯ ঃ ওল মণিপুর বোল্লিবোল এসোসিএশনগী মিৎয়েং মখাদা য়ঙ স্পোর্টিং এসোসিএশন (ৱাই এস এ) লিলোং হাওরৈবী চন্দ্রখোংনা শিন্দুনা থা অসিগী ১৩ দগী লিলোং হাওরৈবি চন্দ্রখোং বোল্লিবোল গ্রাউন্দদা অহুমশুবা ষ্টেট লেভেল কেশ প্রাইজ জুনিয়র বোইজ বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ পাঙথোক্লগনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ানিংবা ক্লব, ওর্গেনাইজেসন অমসুং এসোসিএশনশিংনা থা অসিগী ১১ ফাওবগী মনুংদা মপান কাংজৈবুংদা লৈবা ওল মণিপুর বোল্লিবোল এসোসিএশনগী ওফিস নৎত্রগা য়ুথ স্পোর্টিং এসোসিএশন (ৱাই এস এ) লিলোং হাওরৈবি চন্দ্রখোংগী ওফিসতা লাক্তুনা ফোর্ম লৌরবা অমদি পীশিনবা য়াগনি। টুর্নামেন্ট অসিগী এদমিসন ফীগী মমলনা লুপা ৫০০ নি। লোয়ননা টুর্নামেন্ট অসিগী ৱিন্নরদা ৱিন্নরদা লুপা লিশীং ১০ গী শেলগী মনা পীগনি। রন্নর্স-অপতা লুপা লিশীং ৮, অহুমশুবা তারবা টিমদা লুপা লিশীং ৫, টুর্নামেন্ট অসিগী বেষ্ট প্লেয়র, বেষ্ট স্পাইকর, বেষ্ট সেট্টর, বেষ্ট দিফেন্দরদা লুপা ৫০০/৫০০ গী শেলগী মনা পীগনি।

# সাই সী ও ঈদা লৈনিংবশিং কৌরি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৯ ঃ সাই সেন্টর ওফ এক্সিলেন্স (সী ও ঈ) তাকয়েলদা স্পোর্টস একাদেমিক ইয়র ২০১৭-১৮ দা এদমিসন তৌনিংবা তোঙান তোঙানবা মশান্না ৭ কী নুপা অমদি নুপী শান্নরোয় কৌরি। সাই সী ও ঈদা এদমিসন তৌনবগীদমক নুপা অমসুং নুপীগী আর্চরি, বোক্সিং, সাইক্লিং, ফেন্সিং, টাই ক্বান্দো, ৱেথলিফটিং অমসুং ৰুশু শান্নরোয়শিংনা থা অসিগী ২০ ফাওবগী মনুংদা মশা মশাগী বাইও দাটা অমসুং এপ্লিকেসন পীশিল্লকপা য়াগনি হায়রি।

# ইম্ফাল ইষ্ট ফুটবোল লীগ মখা চথরগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৯ ঃ

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএশন্না শিন্দুনা চথরম্বদগী মতম শাংনা লেপ্পুরবা ঙাংখম বোবোই মেমোরিএল সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ অমসুং নহাকপম অপাবী মেমোরিএল থার্দ দিভিজন ফুটবোল টুর্নামেন্ট থা অসিগী ১১ দগী মখা চথরগনি হায়না টুর্নামেন্ট অসিগী কনভেনরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

ঙাংখম বোবোই মেমোরিএল সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ থা অসিগী ১১ দগী কাইনাদা লৈবা পোইরৌখোংজিন থম্বালনু স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা চথবা হৌরগনি।

অমরোমদা নহাকপম অপাবী মেমোরিএল থার্দ দিভিজন ফুটবোল লীগনা থা অসিগী ২০ দগী থম্বালনু স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা মখা চথরগনি হায়রি।

ঙাংখম বোবোই মেমোরিএল সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ অসিগী মেচ থা অসিগী ১১ গী নুংথিল পুং ১২.১৫ তাবা মতমদা পি ৱাই পি সী পুংদোংবম অমসুং এস এস সী সেক্তা অনীনা শান্নরগনি। অনীশুবা মেচ নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা এফ সী অংথা অমসুং ৱাই বি সী অনীনা শান্নগনি। থা অসিগী ১২ দা মেচ অনী লৈগনি। অহানবা মেচ নুংথিল পুং ১২.১৫ তাবা মতমদা এ এস ৱাই সী অমসুং টি ৱাই দি ওগা শান্নগনি। অনীশুবা মেচ নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা বি এস য়ু অমসুং য়ু দি ওগা শান্নরগনি।

# ষ্টেট লেভেল ফোর এ সাইদ মিনি বোইজ ফুটবোল টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৯ ঃ রাইজিং নোলেজ ক্লবনা খুয়াথোংনা শিন্দুনা অহানবা ষ্টেট লেভেল ফোর এ সাইদ মিনি বোইজ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ থা অসিগী ২০ দগী পাঙথোক্লগনি হায়না ক্লব অসিগী চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

কেজি ৩৫ মখাগী কাঙলুপ্তা ওইনা পাঙথোক্কদৌরিবা ষ্টেট লেভেল মিনি বোইজ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ানিংবা টিমশিংনা থা অসিগী ১৫ ফাওবগী মনুংদা ফোর্ম পীশিল্লকপা য়াগনি। টুর্নামেন্ট অসিগী ফিক্সচর দিসেম্বর ১৮ দা ওৎকনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৱিন্নরদা লুপা লিশীং ১০ গী শেলগী মনা অমসুং ট্রোফি পীগনি। রন্নর্স-অপ তারবা টিমদা ট্রোফি অমসুং লুপা লিশীং ৬ কী শেলগী মনা পীগনি হায়রি।

# এম সী এ চেলেঞ্জরস ট্রোফিদা মণিপুর ব্লুনা মণিপুর রেদ টিম রন ১৩ দা মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৯ ঃ

মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএশন্না শিন্দুনা লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা চথরিবা চেলেঞ্জরস ট্রোফি হায়না মিংথোনবা ক্রিকেট টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা মেচতা মণিপুর ব্লু টিম মায় পাকখ্রে।

টিম মরি মণিপুর রেদ, মণিপুর ব্লু, মণিপুর গ্রীন অমসুং মণিপুর য়েলো হায়না খায়দোক্তুনা চথরিবা চেলেঞ্জরস ট্রোফি অসিগী ঙসি শান্নখিবা মেচ অদুদা মণিপুর ব্লু টিমনা মণিপুর রেদ টিম রন ১৩ দা মায়থীবা পীখি।

মেচ অদুদা মণিপুর ব্লুনা অহানবা বেট্টিং তৌখিদুনা ওভর ৩৮ মায়োক্লখিবদা রন ১১৯ লৌরগা ওল আউট ওইখি। মণিপুর ব্লুনা থল্লম্বা টার্গেট স্কোর অদুগী পাউখুম পীবা ঙমদনা মণিপুর রেদ টিমনা ওভর ৩৮.৩ মায়োক্লখিবদা শুপ্নগী রন ১০৩ খক লৌদুনা মণিপুর ব্লুগী মখূৎতা রন ১৩ দা মায়থীখি। মেচ অদুদা মায় পাল্লবা মণিপুর ব্লু টিমগী ফাওজালেন কিপজেন্না মেন ওফ দ মেচ তাখি। হয়েং মণিপুর রেদ অমসুং মণিপুর য়েলো টিম অনীনা শান্নরগনি।

# সেক্তা ট্রোফিদা এস টি টি সেক্তা টিম এ অমসুং এস দল্লিয়ু এ সেক্তা মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৯ ঃ

সেক্তাগী এস এস সী গ্রাউন্দদা হৌখিবা দিসেম্বর ৫ দগী টিম ১৮ না গ্রুপ মরিদা শরুক য়াদুনা চথরিবা অহুমশুবা সেক্তা ট্রোফি ২০১৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেচতা এস টি টি সেক্তা টিম এ অমসুং এস দল্লিয়ু এ সেক্তা টিম এ মায় পাকখ্রে।

হৌখিবা দিসেম্বর ৫ দগী টিম ১৮ না গ্রুপ ৪ দা শরুক য়াদুনা চথরিবা ৩ শুবা সেক্তা ট্রোফি ২০১৬ কী ঙসি শান্নখিবা অহানবা লীগ মেচতা এস টি টি সেক্তা টিম এনা লমলাই সভেন অপ গোল ৪-০ দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেচ অদুদা এস টি টি সেক্তা টিম এনা চাউনা মায় পাকচরবসু মেচ অদুগী অঙনবা মতমদা লমলাই সভেন অপকী শান্নরোয়শিংনসু য়াম্না থৱায় হকচাং য়াওনা শান্নখিবনা মেচ অদু য়াম্না কম্পিটিটিভ ওইখি অদুবু এস টি টি সেক্তা টিম এগী শান্নরোয়শিংনা মিকুপ নাহুমশিংনা অমসুং কোওর্দিনেশন লৈনা শান্নরকপনা লমলাই সভেন অপকী মায়কৈদা অকনবা এটেকশিং চথদুনা শান্নবা হৌরকখি।

এস টি টি সেক্তা টিম এগী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না কোওর্দিনেসন লৈনা শান্নরকখিবগী মহয়না মেচ অদুগী ২৯ শুবা মিনিটতা এল হেম্বনা গোল একাউন্ট হাংদোক্তুনা টিমদুগী মায় পাক্ল বগী লম্বী শেমখি।

এস টি টি সেক্তা টিম এনা গোল অমা মাঙজিল থাদুনা লৈখ্রবদা গোল শোথরিবা লমলাই সভেন অপকী শান্নরোয়শিংনা গোল হন্দোক্লবগীদমক য়াম্না কন্না শান্নরকখি অদুবু লমলাই সভেন অপকী শান্নরোয়শিংনা ফনা কন্না হোৎনজরবসু গোল অমত্তা চনবা ঙমদনা অরেম্বদা তাখি।

গোল মাঙজিল থারিবা এস টি টি সেক্তা টিম এগী এস বসন্তনা টিমদুগী অনীশুবা গোল মেচকী ৩২ শুবা মিনিটতা চনখি। তপ্পা তপ্পা লাকশিল্লকপনা এস টি টি সেক্তা টিম এগী শান্নরোয় দল্লিয়ু ঙৌবনা টিমদুগী অহুমশুবা গোল মেচকী ৩৫ শুবা মিনিটতা অদুগা দল্লিয়ু ইনাওবীনা টিমদুগী মরিশুবা গোল মেচকী ৪২ শুবা মিনিটতা চনখি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেচতা এস দল্লিয়ু এ সেক্তা টিম এনা ৱাই পি এফ য়াইঙংপোকপী গোল ২-১ দা মায়থীবা পীখ্রে। মেচ অদুদা টিম অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না হৈশিংবা মান্ননা শান্নখিবনা টিম অমনা অমবু লাকশিনবা ঙম্নখিদে। মেচ অদুদা ৱাই পি এফ য়াইঙংপোকপীগী ধনবিরনা ৮ শুবা মিনিটতা গোল একাউন্ট হাংদোকখি।

ৱাই পি এফ য়াইঙংপোকপীনা গোল অমা হেক মাঙজিল থাখিবগা গোল শোথরিবা এস দল্লিয়ু এ সেক্তাগী শান্নরোয়শিংনা গোল হন্দোক্লবগীদমক য়াম্না কন্না শান্নরকখিবনা মেচ অদুগী ৯ শুবা মিনিটতা হেম্বনা গোল ইক্বেলাইজ তৌখি। টিম অনীমক্না গোল অমমম চন্নদুনা লৈখ্রবা মতুং মেচ অদুগী ১৭ শুবা মিনিটতা এস দল্লিয়ু এ সেক্তা টিম এগী শান্নরোয় ঐচ থৌঙম্বনা টিমদুগী মায় পাকপগী গোল চনখি।

চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা ওইনা হয়েংগী অহানবা মেচ নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা এস টি টি টিম বি অমসুং ৱাই দি সী এল টিম এগা শান্নগনি । অনীশুবা মেচ নুংথিল পুং ২.৩০ তাবা মতমদা য়ূম্নাম খুনৌ অমসুং বি এস য়ুগা শান্নগনি।




HL-B/3457/11/11-13/12





